ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস








থা অসিগী ৮দা এফ সী গোৱা অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সীনা লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা মেটচ ওফিসলবু ফজদবা খোন্দা শীজিন্নদুনা ৱা ঙাংলুবগীদমক এ আই এফ এফনা শো-কোজ নোটিস পীখ্রবা মুম্বাইগী হুগো

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা যু এস এগী মাইকেল মোগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেন্দুনা মায় পাকখ্রবা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় রফেল নদালনা সর্ভিস তৌরমদায়দা খূৎয়াই উৎতুনা অয়েৎপা পীখিবা ভাবোক অমা

## নুপীগী সিঙ্গলসকী মমাংগী চেম্পিয়ন সোফিয়া কেনিন অনীশুবা রাউন্দদা ইষ্টোনিয়াগী কায়া কানেপিনা থোইরল্লে



মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ১১(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী কুমজা ২০২০গী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল ফংখিবী যু এস এগী সোফিয়া কেনিন ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইষ্টোনিয়াগী কায়া কানেপিগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

মশাগী চহী ২২ শুরবী কেনিন কানেপিনা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ইৱা ৱাদনা শুপ্নগী মিনট ৬৪গী মনুংদা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী পুৱারীদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবা অদু কুমজা ১৯৭০দগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা কেনিননা অহুমশুবা শান্নরোয় ওইরি। অদুগা খ্বাইদগী ঙন্না অহানবা রাউন্দদা চেম্পিয়ন ওইরল্লগা দিফেন্দ তৌবা ঙমদনা মায়থীখিবী অদুনা কুমজা ২০০৩দা অহানবা রাউন্দদা মায়থীখিবী যু এস এগী জেনিফর কেপ্রিয়াটিনি।

হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদা সোফিয়া কেনিনদা নৎতনা ৮শুবা সিদেদ কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু অমসুং ৯শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী পেট্রা কিটোভাসু মায়থীহৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা নুপীগী সিঙ্গলসতা মায় পাকখ্রবশিংগী মনুংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি য়াওরি। মহাক্না অতোপ্পা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় দারিয়া গাব্রিলোভাবু ৬-১, ৭-৬ (৯-৭) তা থোইরমখি। ৬শুবা সিদেদ চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভানা যু এস এগী দেনিএল কোলেন্সপু ৭-৫, ৬-২দা থোইখি। ৫শুবা সিদেদ যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা অনীশুবা রাউন্দ অদুদা যু এস এগী কোকো গোপপু ৬-৪, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

১১শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী ভেলিন্দা বেন্সিকনা রসিয়াগী স্বেট লানা কুজনেটসোভাবু ৭-৫, ২-৬, ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। লোয়ননা ১৮শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সনা চাইনাগী ঝু লিনবু ৭-৬ (১০-৮), ৬-১দা থোইখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্নুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবশিংগী মনুংদা ৱর্ল্ড নম্বর টু রফেল নদাল য়াওরি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদবেদেভনা স্পেনগী রোবর্টো কার্বালেসপু মায়থীবা পীরমখি। ৭শুবা সিদেদ অতোপ্পা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ব্রাজিলগী থিয়াগো মোন্টেরোবু থোইবা ঙমখি। লোয়ননা ৫শুবা সিদেদ গ্রিসকী ষ্টিফানোস সীসীপাসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কোকিনাকিসপু থোইরমখি।

## বর্সেলোনাবু অহানবা সেমীফাইনেল লেগতা সেভিয়ানা ২-০দা থোইখ্রে

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ১১(এজেন্সী): স্পেনদা পাঙথোকপা তোঙান-তোঙানবা দিভিজনশিংদা শান্নবা ফুটবোল ক্লবশিংগী অপূনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা দেল রেগী ঙরাং শান্নখিবা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা বর্সেলোনাবু সেভিয়ানা পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অদু সেভিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ রামোন সাঞ্চেস ষ্টেদিয়মদা শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অদু সেভিয়াগী জুলস কোন্দেনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। অহানবা হাফকী মতম লোইশিল্লকপদা বর্সেলোনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা বর্সেলোনাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্কেলাইজর ফংনবা শান্নরকখি। অদুবু মখোয়গী এটেকশিং অদু মগুণ ৱাৎখিবদগী কান্নবা ফংদনা লাকখি। শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা সেভিয়াগী মায়কৈদগী ওলিভর টোরেজনা পীরকপা বোল অমদা ইভান রাকিটিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বর্সেলোনাবু ২-০দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা সেমীফাইনেল লেগ মার্চ ৩দা শান্নগনি। ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ অমা এথলেটিক বিলবাও অমদি লিভান্টে লম্বা তৌনগনি।

## অটলান্টানা নাপোলিবু ২শুবা লেগ মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা য়ুভেন্টসকা থেংনরগনি

বর্গামো, ফেব্রুৱারী ১১(এজেন্সী): ইটলিগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কোপা ইটালিয়াগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদুদা অটলান্টানা নাপোলিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা য়ুভেন্টসকা লম্বা তৌনরগনি।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ৩দা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল লেগ অদুদা নাপোলি অমসুং অটলান্টা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা লেগ অদুদা অটলান্টানা ঙন্না পাঞ্জল চনবা হৌখি। ১০শুবা মিনটতা মার্টেন দি রুন্ননা পীরকপা বোলদা দুবান জপাটানা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মিনট ৬ লৈরগা দুবান জপাটানা অমুক সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা টিমমেট মাটিও পেসিনানা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফকী হৌরকপা মিনট ৮ চঙশিল্লকপদা নাপোলিগী মায়কৈদগী হর্বিং লোজানোনা পাঞ্জল ১ হন্দোকপা হৌখি। অদুবু ইক্কেলাইজর ফংদ্রিঙৈ অটলান্টাগী মাটিও পেসিনানা জপাটাগী বোল অমদা অমুক টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চল্লগা সেমীফাইনেল অদু এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা মে ১৯গী ফাইনেলদা য়ুভেন্টসকা লম্বা তৌনরগনি।

## মুতুম বঙ্কিমবু ট্রেজরর খল্লকপদা হরাউবা ফোঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): করাটে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন (কে আই ও)গী ট্রেজরর ওইনা মণিপুর এমেচর করাটে-দো এসোসিএসন (এম এ কে এ)গী জোইন্ট সেক্রেটরিগী ফম পুরিবা সিহান মুতুম বঙ্কিমবু খল্লকপদা এম এ কে এগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কে আই ও অসি ৱর্ল্ড করাটে ফেদরেসন (আই ও সীনা রিকগ্নাইজ তৌরবা) অমসুং এসিয়ন করাটে-দো ফেদরেসন (ওলিম্পিক কাউন্সিল ওফ এসিয়ানা রিকগ্নাইজ তৌরবা) অসিদা এফিলিএট তৌবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ফেদরেসননি। বঙ্কিমবু ঙসি ন্যু দেল্লীগী এরো সিটিদা লৈবা প্রাইদ প্লাজাদা পাঙথোকখিবা কে আই ওগী মীফম্না খনখিবনি।

## স্প্রিন্টর হিমা দাস অসাম পুলিসকী দি এস পি ওইনা খনখ্রে

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ১১(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা লমজেল্লোয় (স্প্রিন্টর) হিমা দাসপু অসাম লৈঙাক্না ষ্টেট অদুগী পুলিস দিপার্টমেন্টতা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্টকী ফম হাপখ্রে।

এথলিট হিমা দাসনা মমাংদা ইন্দিয়াগী যুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা অদুগা হৌজিক্কা ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা সর্বনন্দ সোনোৱালবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিমা দাসনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকপা ৱাফমদা অসাম পুলিসতা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইনা থবক হাপ্পীরকপা অসি য়াম্না হরাউবা ফাওই। মসিনা মহাক্কী অহেনবা থৌনা অমা লাক্লগনি। তুংদা ইন্দিয়া অমদি মহাক্কী ষ্টেট অসামগীদমক্তা মপূং ফাবা থৌদাং লৌগনি হায়খি। মশাগী চহী ২১ শুরবী হিমা দাসপু মহাক্কী লৈফম ধিং হায়না খঙনবা মফম অদুগী মমিং লৌরগা মীয়াম্না মহাকপু 'ধিং এক্সপ্রেস' হায়না মিংথোল্লিবনি।

হৌজিক-হৌজিক হিমা দাস পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা টোকিও ওলিম্পিক্সতা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক্তা অকনবা ট্রেনিং চথুরি। নীংশিংবা য়াই, হিমা দাস মিটর ৪০০গী নুপীগী ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ননি। মহাক্না সিনিয়রগী থাক্তা শরুক য়াদুনা কুমজা ২০১৮ এসিয়ন গেমসতা হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা সিলভর মেদল ফংখি। লোয়ননা গেমস অদুদা নুপীগী মিটর ৪০০গী রিলে অমসুং মিক্স রিলেদা গোল্ড মেদল ২ ফংখি। মরক অসিদা ইন্দিয়াগী যুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, দি এস পি ওইনা খল্লবসু হিমা দাসনা ইন্দিয়াগীদমক্তা লমজেল চেনখিগনি হায়রি।

## এবর্টননা টোটেনহাম হোটস্পরবু মায়থীবা পীখ্রে, ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওন লেষ্টর সিটিগী মখূৎতা মায়থীহৌরে



লন্দন, ফেব্রুৱারী ১১(এজেন্সী): লন্দনগী গুদিসন পার্কতা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা এফ এ কপকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা এবর্টননা টোটেনহাম হোটস্পরবু মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ব্রাইটন এন্দ হোপ অলবিওন লেষ্টর সিটিগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীহৌরে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী ৩শুবা মিনটতা টোটেনহামগী মায়কৈদগী দেবিনসন সাঞ্চেসনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। ৩৬শুবা মিনটতা এবর্টনগী দোমিনিক কলভর্টনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লবা মতুং মিনট ২ লৈরগা টিম অদুমক্কী রিচার্লিসননা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ২ ৱাৎলিঙৈদা এবর্টনগী সিগুর্দসননা টিম অদুগী ৩শুবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু টোটেনহামগী মায়কৈদগী এরিক লামেলানা ৪৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা টোটেনহাম হোটস্পরগী দাবিনসন সাঞ্চেসনা ৫৭শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। অদুবু এবর্টনগী মায়কৈদগী ৬৮শুবা মিনটতা রিচার্লিসননা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ৪-৩দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মেটচ লোইগদবা মিনট ৭তা ঙাইরবা মতমদা টোটেনহামগী হেরি কেননা ইক্কেলাইজর অদু চল্লবা মতুং এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপদা এবর্টনগী বর্নাদনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চনখি।

লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা ইহেনাচোনা চনবা ঙমখিবনি।


ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯂꯁ

URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021

FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020




| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
|---|---|---|---|---|---|---|
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o. H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | | | | | | | VAN AVAILABLE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 |
| | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6780/10/2-11/3


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 33**

**Esplugas Esteve, Vicenc (2319) - Vlachos, Anatole (2413)**
**Sunway Sitges Open 2020 Sitges ESP, 2020.12.23**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 g6 | 2.d4 Bg7 | 3.Nc3 d6 |
| 4.Bg5 Nd7 | 5.Qd2 c5 | 6.Nf3 cxd4 |
| 7.Nxd4 Ngf6 | 8.f3 a6 | 9.Bh6 Bxh6 |
| 10.Qxh6 b5 | 11.a4 b4 | 12.Nd5 Nxd5 |
| 13.Qg7 Rf8 | 14.exd5 Nf6 | 15.Nc6 Qb6 |
| 16.Bc4 Qe3+ | 17.Kd1... | |

**QUESTION :**
**Black wins in 6 moves**

Puzzle 32 Ans. :

**32.**Ne4 Rd1+ **33.**Kg2 Ne3+ **34.**Kh3 Qf5+ **35.**g4 Qxg4#

**32.**..Rd1+


**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, I.W, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 105 of 2021**
1. Namoijam Rameshkumar Singh - 0.06 acre (E/side)
2. Namoijam Premkumar Singh - 0.055 acre (W/side)
S/o (Late) Namoijam Sashikumar Singh of Ningombam Mayai Leikai.
-Vs-
(Late) Namoijam Sashikumar Singh S/o (L) Sekho Singh of Ningombam Mayai Leikai

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 11th Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 4-Ningombam পাট্টা 81 part (অরিবা), 472/713 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং 1247/1751 (অনৌবা) গী এরিয়া Pt No. 1 is 0.06 acre (E/side), Pt No. 2- 0.05 acre (W/side) out of 0.11500 acre চাউবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নামজরি তৌবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৮/০২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Imphal West, Hiyangthang**

HL-P/8967/12

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 131/AS&SO/TBL, dt: 01-02-2021**

Moirangthem Nabachandra Singh S/o (L) Tomba Singh of Khangabok Part - II Maisnam Leikai.
-Vs-
(Late) Moirangthem Phabi Singh S/o (L) Kanhai Singh of Khangabok Part-II Maisnam Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 02/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ৩৩/২১১৭ (অরিবা), ১৬০০ (অনৌবা), দাগ নং ৩৭০৮, এরিয়া ০.০৪৮৬ হেক্তর চাওবা লম অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট তাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/8970/12

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**

**Ref :- Mutation case no. 97/AS & SO 10/2/2021**
1. Mayengbam Bhubon Singh S/o Kumar Singh of Irengband Sabal Leikai.
2. Yengkhom Subadani Devi W/o Y. Inaobi Singh of Irengband Sabal Leikai.
-Vrs-
1. Yengkhom Gourahari Singh S/o (L) Ibocha Singh of Leishangthem.
2. Leitonjam Kameshwor Singh S/o Nobin Singh of Irengband.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 10-02-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচীং তহশিল খুল নং ৬১ বি লৌশিপাৎ পাট্টা নং ৫৪৮/৩৯ অনৌবা দাগ নং ২১১৩ এরিয়া ১.২০৬১ হেক্টর লৌফম তাওথবী অসিগী পাট্টাদার য়েংখোম গৌরহরি সিংহ পী: মৃ: ইবোচা সিংহ সাং লৈশাংথেম পাট্টাদার নম্বর ১ (ৱান) অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা তাওথবী লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপ্তি লৌররোই কেস মখা চথুরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer**
Kakching

HL-B/6788/12

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 116/SDC/IW (P) of 2021**
(1) Thokchom Babita Devi W/o (L) Premjit Singh of Langjing Heinoupok.
(2) Thokchom Dubison @ Momosana S/o (L) Premjit Singh
Represented by Mother Thokchom Babita Devi of -do- -...*Petitioners*
-Vrs-
(Late) Thokchom Premjit Singh S/o (L) Shamu Singh of Langjing Heinoupok. ...Deceased Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

09/02/2021

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খূথাংদা খঙহঞ্জরি ঈ ও পাৎশোইগী খুল নং ১০৪/লাংজিংগী পাট্টা নং ৫৫ (অরিবা), ১০৬/৫৯১ (অনৌবা) গী দাগ নং ৩৬০গী এরিয়া ০.০৮৬৪০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিনি/দংকারি নং (১) অমসুং (২) অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপুরোয়বা অমদি মপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না দাগকী মমাঙ থংবদা ০.০৫ একর দংকারিনি নং (১) অদুগা লেমহৌবা শরুক অসিনা দংকারি নবালক নং (২) গী শরুক ওইনা মথংশিৎনা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১৬/২/২০২১ ইংগী অয়ূক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চথুরগনি।

HL-P/8968/12 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi**